থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৱানগী কাউন্সিল্লর ওক্রম ইনাওতোম্বীনা ৱার্দ অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা ইমুংশিংদা শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেকচম বজারদা মফম অদুদগী লাংপোকলাকপম হেরোজিৎ, সুমন্ত, চিংথাম নন্দ অমদি তেকচম ইনাওনা ফাদুনা কল্লবা স্লো লোরিস অমা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খূৎশিন্নখিবা

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবামদা লৈরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ মাস টেষ্টিং তৌখিবা

সী এ পি এফতা থবক তৌবা পোম্বিখোক চীং লৈকায়দগী এলাংবম সুন্দরগী মীৎয়েং মখাদা খুন অসিগী নহাশিংগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলিবা বোরায়াংবী জি পিগী মনুং চন্না লৈবা ইমুং কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট ফোরদা লৈবা এল এস এস ব্রিক ফিল্ডগী অহাঙবা য়ূমগী কা অমগী ফৈরেন্দা শিন্মী নহা অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা লৈরল্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা শিন্মী অদুগী মমিং পুংসুম্বম নাওবা (১৯) কৌই। মহাক লুৱাংসুংবম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা পি মংলেমজাওগী মচানুপানি। মখোয় পূন্না এল এস এস ব্রিক ফিল্ডদা লৈরগা থবক শুবনি। ঙসি অয়ূক পুং ৯ রোম তাবদা মহাক্কী মমানা মচানুপা অদু থবক শূবা য়াওবা উদবদগী থিরুবদা চেকোন অদুগী অহাঙবা কা অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি। মফম অদুদা পাৎশোই পুলিসকী টিম, ফোরেন্সিক সাইন্সকী মোবাইল য়ুনিট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও)গী মখাদা লৈবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী টিম অমা য়াওনা চঙশিন্দুনা টেষ্ট তৌখি। অদুবু অশিবা হকচাং অদু নেগেটিভ ওইরমখি। মতুংদা পাৎশোই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) তা থবক তৌরিবা পোম্বিখোক চীং লৈকায়দগী এলাংবম সুন্দরনা খুল অসিগী নহাশিংগা খূৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্নরিবা নাপট, তাংজেং, চন্দোনপোকপী, পোম্বিখোক, থৌবালতাবী, চাইরেল অহল্লুপ, লৈঙাক্তবী, ফৌজুমানতাবী, লাইঙৌবী, খুলাংপাৎ, শন্দংখোং অমসুং বোরায়াংবীগী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুং ৪৩৫ রোমদা চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

স্লো লোরিস খূৎশিন্নখ্রে

থৌবাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেকচম বজারদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা স্লো লোরিস অমা থোরকপদগী মফম অদুগী লাংপোকলাকপম হেরোজিৎ, সুমন্ত, চিন্থাম নন্দ অমদি তেকচম ইনাওনা অশোয় অঙাম য়াওদনা ফাদুনা কল্লবা মতুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

স্লো লোরিস অমা লৈরে হায়দুনা থৌবালগী ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রামচন্দ্রদা পাউ পীদুনা ফারবা মতুং স্লো লোরিস অদু ঙসি অয়ূক ফোরেষ্ট বিট ওফিস হৈরোক্কী ষ্টাফশিংদা শিন্নখিবনি হায়রি।

থক্লবা ঈশিং য়েনখ্রে

চরাংপাৎ, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় টাস্ক ফোর্স টিম, সী এ ৱাই এ ক্লব অমদি মায়চোনগী ভলুন্টিয়রশিংনা ৩২-ৱাংখেম এ সীগী এম এ এল কৈশাম মেঘচন্দ্রগা খূৎশম্নরগা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী য়ূমথোঙ খুদিংদা কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতম অসিদা ঈশিং য়েন্থোকপগী থবক থৌরম ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

ৱারবা মতম অসিদা এম এল এনা ময়ামগী অৱাবা উবীদুনা ঈশিং পীবিবগীদমক হায়নীংঙাই লৈতনা এম এল এবু থাগৎপসু ফোংদোরক্লি। ঙসিদগী হৌদোকচরগা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় পূম্বগী য়ূমথোঙ খুদিং থুংনবা নুমিৎ ২/৩ চঙ্না ঈশিং য়েনগনি হায়রি।

ওক্রম য়ুথ ক্লবনা তেংবাঙখ্রে

থৌবাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা কর্ফিয়ু মতম শাংনা লৈখিবনা শূফম-নোম্ফম ফংদবদগী খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মতেং খজিক্তং ওইরবসু হায়দুনা ওক্রম য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি ক্লব অসিবু নুংশিবীবা লৈকায় অসিগী মীওইশিংনা শেলগী মতেং খরা-খরা পাংনদুনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা আইটেম খরা হায়বদি হৱাই, আলু, তিলহৌ, থুম, ঙারি, সর্ফনচিংবা পোৎলম কয়া ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা থৌবাল ওক্রম লৈকায়গী ইমুং ১৮৫দা য়ূম য়ূমগী থোঙ্গালদা (কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিং য়াওনা) ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা ঙসি য়েন্থোকখ্রে। মতেং পাংবগী থবক অসি মমাঙ চহীগী লোকদাউন লৈখিবা মতমদসু ক্লবনা লৈকায়গী ইমুং পূম্বদা য়েন্থোকখি।

লৈঙাক্কী অথিংবা অমসুং গাইদলাইন থুগাইবা মীওইশিং দিটেন তৌবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা থম্লিবা অথিংবা অমদি পীরিবা গাইদলাইনশিং থুগাইবা মীওইশিং পুলিসনা দিটেন তৌবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্লি।

লৈঙাক্কী অথিংবা অমসুং গাইদলাইন থুগাইবশিংগী মথক্তা পুলিসনা এক্সন লৌখৎখিবগা মরী লৈননা পুলিস দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জুন ৬ ফাওবদা লৈঙাক্কী অথিংবা অমদি গাইদলাইন থুগাইবা মীওই ৬৬৮০৩ দিটেন তৌদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ২৭০২৫ দিটেন তৌদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বদা অনীশুবা ওইরি। অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ২২৩৭৬ দিটেন তৌদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বদা অহুমশুবদা লৈরি। চুড়াচান্দপুরদনা মীওই ৯০৫৯ দিটেন তৌদুনা মরিশুবদা, ককচীংদনা ৫৪৯২ দিটেন তৌদুনা মঙাশুবদা, ইম্ফাল ইষ্টতনা মীওই ৫০৬৫ দিটেন তৌদুনা তরুকশুবদা, জিরিবামদনা মীওই ২০৯৬ দিটেন তৌদুনা তরেৎশুবদা, উখ্রুলদনা মীওই ১৯০৩ দিটেন তৌদুনা নিপানশুবদা, সেনাপতিদনা মীওই ১০৮১ দিটেন তৌদুনা মাপনশুবদা, চান্দেলদনা মীওই ১০৩০ দিটেন তৌদুনা তরাশুবদা লৈরি। অদুগা কাংপোকপীদনা মীওই ৮৮৭, তমেংলোংদগী মীওই ৮৬০, তেংনৌপলদনা ৫৫৩ অমসুং নোনেদগী মীওই ২৩৪ দিটেন তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পূন্না মীওই ১৪৪৫৭২ দিটেন তৌদুনা লুপা ২,১৮,৪৫,৭১০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে। অদুমকপু ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতদি হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী অথিংবা অমদি গাইদলাইন থুগাইবা মীওই অমা ফাওবা পুলিসনা ফাবা লৈত্রি হায়রি।

অমরোমদা, পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথুখিবা দ্রাইভতনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈঙাক্কী অথিংবা থুগাইবা মীওই ১১৬ দিটেন তৌদুনা ফাইন ওইনা লুপা ৩৯৮৫০ খোমগৎখ্রে।

ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টতা মীওই ৪৩, ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ২, থৌবালদা মীওই ৪৩, ককচীংদা মীওই ৫, বিষ্ণুপুরদা মীওই ২১ অমসুং সেনাপতিদা মীওই ২ পুলিসনা দিটেন তৌখি হায়রি।

চৈরকসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা থম্লিবা অথিংবশিং থুগাইদুনা লম্বীদা মরম চাদনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিং দিটেন তৌদুনা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থবকসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মফম কয়াদা চথুরি। অথিংবা থুগাইরগা লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিং দিটেন তৌদুনা টেষ্ট তৌবা অসিদা পোজিটিভ ওইরম্বা মীওই কয়াসু থেংনরি হায়রি।

ইন্দিজিনস য়ুথস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক্কী তরুকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিজিনস য়ুথ এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (আই ৱাই এ কে) কী তরুকশুবা মপোক কুমওন থৌরম মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূৎথাংদা পাঙথোকখ্রে হায়না আই ৱাই এ কেগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল গঙ্গানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মেক্সনা ফোংদোকখিবদা ইরমদম অসিগী লৈহাওদা চাওরকপা ইরৈচা য়েলহৌমী খুদিংমক্তা লূপ অসিগী মপোক কুমওন্না লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীজরি অমদি লায়না লাইচৎ অসিদগী কঞ্জনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৈবীয়ু। লূপ অসিগী মালেমদা শাফোংলকখিবা অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ঙসিগী শোথরবা খুন্নাই অসিদা ঐখোয় নহাশিংনা লৌগদবা থৌদাং অদু লৌনবনি। মসিগা মরী লৈননা লূপ অসিনা লৈবাক মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিবা লৈখ্রে, মখা তানসু পায়খৎখিগনি হায়খি।

স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখিবা কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজম লানচানা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা খুন্নাই অসিগী এদ্যুকেসন অমদি সোসিও ইকোনোমিদা পীবা চৈথেং, অমসুং মসিদা লৈঙাক্কী থৌশিল হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়খি, ঐখোয়গী লৈজরম্বা চৎন-লোনচৎ কয়াদা কায়থরকপা অমদি মসিনা ঐখোয়গী মীহৌরোলদগী লৈজরক্লবা লাইশু অদু মাঙহনখিবনা মরম ওইরগা খুন্নাই অসি চাওখৎ লমজেলদা থিন্থহল্লি। হৌজিক্কী মীরোলনা মসি খঙনা খোঙথাং থাংবা চুমগনি। হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিসু মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোকপা চঙই। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি লোইরগা ঐখোয় হান্নদগী শোয়রগা লৈরবা পুন্সি মহিং অদুদা হল্লক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু থাদোকপা চঙই। মদু নৎত্রবদি অনৌবা পেন্দমিক অমা অমুক লাকপা মতমদা ঐখোয় থেংনবা ৱাগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

মপূং ফাবা কংলৈপাক অমা ওইহল্লকপদা সিভিল সোসাইটিগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙলদুনা আই ৱাই কে এগী এদভাইজর ৱাই মৈরাবা অঙোমনা হায়খি, হৌজিক ঐখোয়না ঐখোয়গী থৌদাং পূম্বা মীতোপ্তা শিন্নথোকখিবা খুল অমদি লৈকায়না তৌজরম্বা লৈঙাকলোন পূম্বা মরাই চাইথরকপা অসিনা লৈবাক অসিদা অহোবা কয়া লাকপা অসিদগী কলহৌনবগীদমক কংলৈপাক অসিদা সী এস ওশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়খি।

ঈনাৎ লাইনীংদা কায়থরকপা অমদি মসিদা নহাশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙলদুনা আই ৱাই কে এগী এদভাইজর ঈংবা মঙাংনা হায়খি, নিংথৌরোলগী হাক্তকতগী লৈবাক অসিদা মীরমগী লাইনীং লাইশোন চঙশিল্লকখিবা অমদি হৌখিবা কুমজা ১৭৩২গী মেরাগী ১৭নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা কংলা উত্রাদা পুয়া মৈ থাখিবা অসিদগী হৌরগা ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোন অমদি ঈনাৎতা কায়থরকপনি। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা মীরোলনা মসি কাউফদে অমদি ঈনাৎ লাইনীংবু মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা ঈরমদম অসিবু শক তাক্কদৌরিবনি। ঈনাৎ লাইনীং মাঙবদি শক্তম মাঙবনি। ঐখোয়গী শক্তম কনসি হায়রবদি ইনাৎ লাইনীংসু কনবা মথৌ তাই হায়না ফোংদোকখি।

অরোইবদা খুন্নাই অসিদা নহাশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙলদুনা আই ৱাই এ কেগী এদভাইজর ডা. ঐচ জিতেনেনা হায়খি, খুন্নাই অমা চাওখৎকে হায়রবদি মতিং লৈবা থৌনা ফবা নহাশিং মথৌ তাই। ইরমদম কংলৈপাক অসিনা শোথবা খুন্নাই অমা ওইরিবা অসি লমদম অসিগী থৌদাং য়াগদবা নহাশিংনা মশাগী থৌদাং য়ারক্তবা অসিসু অচৌবা হীরম অমনি। হৌজিক লৈরিবা মীরোলনা তূমদুনা লৈবগী মহুৎ মীকপ থোরক্তুনা শোথরিবা খুন্নাই অসি চিংখৎলসি হায়নসু ফোংদোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

কাউন্সিল্লরনা শেলগী মতেংগা লোয়ননা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে

থৌবাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১না কোল্লিবা থৌবাল ৱাংমতাবা সোরোম মখা অমদি থৌবাল ওক্রমগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কয়া য়াওরকপা অমদি মীশি-মীনা ফাওবা য়াওরকপনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লবা মফমগী য়ূমথোঙ কয়াদা ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর ওক্রম ইনাওতোম্বীনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে।

লোয়ননা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবদগী বেঙ্কতগী ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফমশিং লৌথোকপা চৎপা ঙমদনা লৈরিবা ৱার্দ অসিগী শোল্লবা অহল ৫০ রোমদসু লন্নাই শেনফমদগী লুপা ৫০০/৫০০ কোয়না চৎতুনা তেংবাঙখ্রে। মখা তানসু অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়না কাউন্সিল্লর ইনাওতোম্বীনা ফোংদোরক্লি।

জিরিবামদা মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসিসু জিরিবামগী কামরঙ্গ মুসলিম খুল, কদমতলা অমসুং বোরোবেক্রানচিংবা মফম অহুমদা মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবামদা লৈরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মাস টেষ্টিং তৌবগী থবক অসি চথুখিবনি।

দিবোং জি পিগী প্রধান আর কে নোবিনস্নানা হায়খি, দিবোং জি পিগী মনুং চন্না লৈবা কদমতলা খুলদা মাস টেষ্টিং অসি কদমতলাগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপনি। মসিদা মীয়াম্না থোকপীরক্তুনা শরুক য়াবীবা অসি থাগৎলি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপা মথৌ তাই হায়নসু ফোংদোকখি।

কামরঙ্গ মুসলিম য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম দি অবদুল রজাকনা হায়খি, হিল ঘাট গ্রাম পঞ্চায়টকী এরিয়া অসিগী ৱার্দ নম্বর ৫ অমসুং ৬কী ওইনা ঙসি কোভিদ টেষ্ট তৌরে। অৱাৎপা খুঞ্জাশিংসু মখা তানা টেষ্ট তৌবীয়ু হায়খি।

বোরো বেক্রা য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বর কৈশাম রোনেলনা হায়খি, ঙসি বোরো বেক্রাগী রজিব ভবন্দা মাস টেষ্টিং তৌবগী থবক অসি চথুবনি। মসিদা কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমদি য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিংনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতসু তেংবাঙলি হায়খি।

লীলা ইবা কে নিলবীর লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালনা শকখঙলবা নহা ওইরিবা লীলা ইবা কোন্থৌজম নিলবীর থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা কোন্থৌজ নিলবীর (৪৬), ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অরাপ্তি ময়ায়দগীনি অদুগা হৌজিক্লা অরাপ্তি অৱাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। কোন্থৌজম নিলবীর, মশাগী চহী য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী এ আই আর, ইম্ফালনা শকখঙলবা লীলা ইবা অমা ওইরকখি। রেদিওদা শন্দোকখ্রবা পরিং নাইবা লীলা (সোসল প্লে), নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবদা শন্দোকপা লীলা (নাতক) অমসুং য়াইফ-য়ূম্বালদা য়ূম্ফম ওইবা লীলা কয়াসু ইরমখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মাষ্টর (মণিপুরী) লোইশিল্লবা নিলবীর ওজাগী শিনফমদা লৈবনি।

লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈখিনবা অদাগী থৌমীশিংনা থৌনিজবগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

‘চেঙ শুনা পীথোকপীয়ু হায়না চেঙ লৌনখিদ্রে’

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ক্যামগৈ মুসলিম অৱাং লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা কৈরাও এ সীগী পোল্লিং নম্বর ৬/৮ অমসুং ৬/৯দা লৈবা মীয়াম্না হন্দক লৈঙাক্লা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগী য়েংলগা মীওই অমদা চেঙ কেজি ৫/৫ পীগদবা অদু হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা ইমুং অমগী ওইনা চেঙ কেজি ৫ খক পীবদগী মীয়াম্না চেঙ শুনা পীথোকপীয়ু হায়না চেঙ লৌনখিদ্রে হায়না ক্যামগৈ সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি অমসুং ইস্লামিক স্পোর্টিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর অমদি কৈরাও এ সীগী এম এল এনা মীয়ামগী খল্লগা চেঙ কেজি মশীং শুনা পীথোক্ত্রিবা ফাওবা এজেন্টশিংনা চেঙ য়েনবা য়ারোই হায়না পোল্লিং অনীসিদা লৈরিবা ইস্লামিক স্পোর্টিং এসোসিএসন অমদি কে এস দি ও ক্লব অনী অসিনা মীয়ামগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা লেপ্লখ্রে। মখা তানা করিগুম্বা এজেন্ট অমদি পোল্লিং অনীসিগী মীয়াম্না য়ানদ্রিবা ফাওবা এজেন্টনা চেঙ য়েল্লম্বা থোক্লবদি মসিদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাংশিং এজেন্টশিংনা পুগদবনি হায়না চেরোলসিনা ফোংদোরক্লি।

দ্রাইভরশিংদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

উরিপোক পেট্রোল ওটো মোবাইল এসোসিএসনগী পেট্রোন মেম্বর ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা এসোসিএসন অসিগী পেট্রোল অমসুং ঈ রিক্সা দ্রাইভরশিংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিগী য়েংদুনা মেম্বর ওইরিবা দ্রাইভর খুদিংমক্তা লুপা লিশীং ২/২ তেংবাঙ ওইনা ঙসি য়েন্থোকখ্রে হায়না উরিপোক পেট্রোল ওটো মোবাইল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি আর কে গোপালস্নানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দ্রাইভরশিংগী অৱাবা অসি খঙবীদুনা তেংবাঙ পীবিরকপা অসিগীদমক্তসু উরিপোক পেট্রোল ওটো মোবাইল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস) :

ঐখোয়গী ফেসবুক শুরগী তান্থা (ঈ এফ এস টি) গ্রুপকী মেম্বরশিংনা অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা কোভিদ-১৯গী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরিবা সঙাইথেল চীংথক লৈকায়দা লৈবা ইমুং অমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। মখা তানসু অৱা অনা তারবা ইমুংশিংদা গ্রুপ অসিনা মতেং পাংখিগনি হায়রি।

এম এল এ কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর য়াওনা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা মতেং পাংলদুনা সনাতন সমাজ ইম্ফাল বজারগী মায়কৈদগী ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর য়াওনা পোৎলম কয়া ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙখ্রে।

সনাতন সমাজ ইম্ফাল বজারগী মীহুৎশিংনা ঙসি থম্বালখোঙ সাবল লৈকায়দা লৈবা এম এল এগী য়ূমদা লাক্তুনা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অমা, হেন্দ সেনিটাইজর লিটর মঙাগী বোট্টল অহুম অমদি হেন্দ গ্লোব বোক্স অনী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎতা খূৎশিন্নখিবনি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু খূৎশিন্নখিবগা মরী লৈননা সনাতন সমাজ ইম্ফালগী মীহুৎশিংনা ফোংদোকখিবদা মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্ননবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসি থাগৎনীংঙাইহনি। মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা মতেং পাংবা ওইনা ঙসি ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অমা য়াওনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা মথৌ তাবা পোৎলম খরা এম এল এ কোভিদ-১৯ লিলিফ ফন্দ অসিদা তেংবাঙ ওইনা পীজবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

অমরোমদা, কোংপাল চনম লৈকায় নুপী কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু কম্মিটি অসিগী মীহুৎশিংনা এম এল এ কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা হেন্দ গ্লোব, সেনিটাইজর অমদি ৱাটর বোট্টলশিং তেংবাঙখ্রে হায়রি।

‘কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগীদমক শিনপাংলি’

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগীদমক শিনপাংলি হায়না অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি নুংথিল ককচীং খুনৌগী লৌমী-শিন্মীশিংদগী ৱাটর মেলন, তোর্বোট, খোংদ্রুম, হৈথুম, থবী, কারোট অখাবীনচিংবা পোৎলম কয়া কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা লৈশিন্দুনা লৌমী-শিন্মীশিংনা পোৎ য়োনবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদা মতেং পাংজখ্রে। লোয়ননা কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা হৌখিবা মে ১৫দগী চিঞ্জাক কৈথেল হায়না মীংথোনবা ওনলাইন সোপিং হাংদোক্তুনা ওর্গানিক্কী ওইবা মনা-মশিং, এঞ্জাং নাপি, উহৈ-ৱাহৈ হোম দেলিভরি তৌদুনা লাকচরি।

লমদমসিগী লৌমী শিন্মীশিংনা পুথোকচবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়োনফম লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লবা নাকল অমরোমদনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শেল লৈরবসু লৈবগী খুদোংচাদবা ইরৈচাশিংদা অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী মীৎয়েংম খাদা শেমজবা কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা মফম কয়াদগী পোৎ চৈ লৈশিনজখি। নুংশাই চিরু, ঙাইখোং, তৌবুল, লোক্তাক, থাঙ্গ, ৱাবগাই, ককচীং খুনৌ, নম্বোল, নিঙোমথোংজাও, ৱাকচিং খুলেন্নচিংবা মফমশিংদগী মে ১২দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা লৌমী শিন্মীশিংগী অমদি মীয়ামগীদমক শিনপাংদুনা লাকচরি।

অপূনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লূপকী মীৎয়েং মখাদা কোভিদ-১৯ হুইয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা ইরৈচাশিংনসু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্টনা প্রমোসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ বাইওরিছোর্সেস হায়বা হীরমদা ভর্চ্যুএল মোদতা ৱেভিনর অমা পাঙথোক্তুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ৱেভিনর অসিদা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, একাদেমিসিয়নশিং, ইন্সটিট্যুটশিং অমদি ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টনচিংবা কয়ানা বাইওরিছোর্সেসশিং ঙাক্তুনা থম্নবা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফোংদোকখি।

থৌরম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি লমদম অসিগী সোসিও ইকনমিক্কী ফীভম ফগৎহন্নবা অমদি ইনভাইরোনমেন্টপু ঙাক্তুনা থম্নবা বাইওরিছোর্সশিংগী মরু ওইবশিং অদুগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীবনি।

থৌরম অদুদা আই বি এস টি ইম্ফালগী দাইরেক্টর প্রোফেসর পুলো কে মুখর্জি, মিজোরাম য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর কে আর এস সম্বসিভ রাও, মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী চেয়রমেন এম অশিনিকুমার, আই বি এস টিগী দি বি টি এন্দ কোওর্দিনেটর ডা. অনামিকা গম্ভির, আই এন এসকী দাইরেক্টর ডা. অজে পরিদা, সী এস আই আর- আই ঐচ বি টিগী দাইরেক্টর ডা. সঞ্জেকুমারনচিংবা শক্লাইরবা কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংনা লেপ্তুনা মতেং পীরি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচএনএস):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী সেভা হি সঙ্গথনগী মনুং চন্না ৩৫-খাঙবোক এ সীদা লৈবা খুঙ্গংশিং হায়বদি খাঙবোক পার্ট ১, ২ অমদি ৩, উয়াল-ৱাংবল, অথোকপম, সঙ্গাইয়ুম্ফম, লমদিং অমদি সমরাম খুঙ্গংশিংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবা ইমুংশিংদা সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং, ষ্টেট ইগজেক্যুটিভ মেম্বর, বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মখা তানা লেপ্পা লৈতনা মতেং পীরি।

বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী করিকর্তাশিং অমদি খুঙ্গংশিং অসিগী য়ুথ ৱর্করশিংনা খূৎশম্নদুনা চথুরিবা মতেং পীবগী খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা মেঞ্জোর মঙাংনা হায়খিবদা, মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লান্থেংননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংবু ঐখোয় পূম্নমক্না শৌগৎমিন্নসি।

শুংশোয় শোয়দনা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু অমদি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিগী মরমদা শন্দোক্লিবা তোকঙাশিংদা থাজবীগনু। ভেক্সিন কাপথোকপনা পেন্দমিক অসিবু থিংবা ঙম্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি। লোয়ননা মতেং পীবগী থবক অসি দরকার ওইবা ইমুংশিংদা মখা তানা পীখিগনি।